## রসিয়ন টেঙ্কর১দি দোক্যুমেন্টশিং ফাজিনখ্রে

কিভ, জুলাই ৩১ : যুক্রেনগী কোর্ট অমগী ওর্দরদা রসিয়ন টেঙ্কর নিকা স্পিরিট ফাজিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা ভেসেল অদুদা সর্চ চথবদা থেংনখিবা দোক্যুমেন্টশিংসু ফাজিল্লে হায়না যুক্রেনগী চীফ মিলিটরি প্রোসিক্যুটর এনাটোলি মাটিওসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ভেসেল অদুদা যুক্রেনগী লো এনফোর্সমেন্ট ওফিসরশিংনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবকশিং অদু রসিয়ন কোন্সল পার্মিসন য়াওদ্রবসু লোনা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## মাস প্রদক্সন হৌরে

মোস্কো, জুলাই ৩১ :
সু-৫৭ ফাইটরশিং রসিয়াগী এরোস্পেস ফোর্সতা সপ্লাই তৌবগী কন্ট্রেক্ট অমগী মখাদা রসিয়াগী সুখোই এয়রক্রাফট কম্পনিনা মিলিটরি এয়রক্রাফট অসি মশিং য়াম্না শান্নবগী থবক য়াংনা পায়খৎপা হৌরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। সু-৫৭ এয়রক্রাফট ৭৬ হেন্না সপ্লাই তৌনবা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কম্পেনি অসিগা কন্ট্রেক্ট অমা সাইন তৌনখিবনি।

# অফঘান হায়ৱেদা মাইন পোকখায়বদা অঙাংশিং য়াওনা বস পেসেঞ্জর ৩৫ শিরে, ২৭ শোক্লে



হেরাট, জুলাই ৩১ (এজেন্সি):
অফঘানিষ্টানগী ফরাহ প্রোভিন্সতা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নেসনল হায়ৱে অমদা ফুম্লম্বা মাইন অমা পেসেঞ্জর বস অমনা তকশিল্লুবদগী পোকখায়দুনা য়ামদ্রবদা অতোংবা মীওই ৩৫ শিরে অমসুং অতৈ ১৭ না অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবান অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংনা নোংমা কাংদবগী ফিভমদা অফঘান ফোর্সশিংদা এটেক চথবগা লোয়ননা চহী অসিদা অফঘানিষ্টানগী মফম অয়াম্বদা সিক্যুরিটিগী ফিভম শোকচিল্লকখি।

প্রোভিন্সিএল কেপিটেলশিং ওইরিবা হেরাট অমসুং কন্দাহার শম্নরিবা মরু ওইবা লম্বীদা অয়ুক্কী পুং ৬ তাবদা থোকখিবা মাইন পোকখায়বগী থৌদোক অদু ফরাহ প্রোভিন্সকী খোর্মা এরিয়াদনি হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন মোহিবুল্লাহ মোহিবনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্সিএল স্পোক্সমেন সেদিক সেদিকিনা অশিবশিংগী মশিং কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদু টালিবান্না মাইন কয়া শীজিন্নদুনা মী তোরা তুনা হাৎপগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুগী ভিক্তিম অয়াম্বা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীচম ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন মোহিবুল্লাহনা মোহিবনা মাইন অদু টালিবান লালহৌবশিংনা অফঘান অমসুং ফোরেন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌদুনা ইনৌ নৌনা লম্বীগী চিদাইদা ফুম্লবনি হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা, টালিবানগী ওফিসল অমনা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়বগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিংনা মফম অদুদা লেন্দমাইনশিং শীজিন্নবা লৈতে হায়খ্রে।

# অসিঅন ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী সম্মিট থাইলেন্দদা হৌখ্রে



বেঙ্কোক, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :
সাউথ চাইনা সিদা লৈরিবা লমগী য়েৎনবশিং অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী উংখৎনবশিং য়াওনা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নবগীদমক এসোসিএসন ওফ সাউথইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন)গী মেম্বর লৈবাকশিংগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা সম্মিট অমা থাই কেপিটেল বেঙ্কোক্তা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী হৌখ্রে।

অসিঅন ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা থাংজ নুমিৎ ফাওবা মীফম চথগনি অমসুং মখোয়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও, চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ি অমসুং রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লার্ভোভকা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, জপান, পেরু অমসুং ঈ য়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগসু ৱারী শান্নগনি হায়রি।

বৃটেনগী অনৌবা ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবনা থাইলেন্দদা অনৌবা বিজিনেসকী খুদোংচাবা কয়া য়েংবগা লোয়ননা য়ু কেনা ঈ য়ু থাদোক্লবা হোৎনরিঙৈ চৈরকসিদা লৈবাক অনীগী দিপ্লোমেটিক মরী চেৎশিনহন্নবা হোৎনগদৌরি। সম্মিটকী থৌবু ওইরিবা ব্লোক অসিগী চেয়রমেন থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর পয়ুট চান-ওচানা মহাক্কী কিনোট এদ্রেসতা অমগা-অমগা থাজনবা, ইকাই খুম্নবা অমসুং ৱাখল তামিন্নবগী খুথাংদা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট অমসুং রিজনেল সিক্যুরিটি লৈহন্নবা মালেমগী মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাকশিংগা কোওপরেসন অমসুং দাইলোগ চথবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। থাইলেন্দগী ফোরেন মিনিষ্টর দোন প্রামুদৱিনাইনা অসিঅন ব্লোক্না ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# সিরিয়াগী হোস্পিটালশিংদা চথখিবা এটেকশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা য়ু এন চীফতা তকশিনখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা য়ু এন্না শৌগৎপা মেদিকেল ফেসিলিটিশিংদা চথখিবা এটেকশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন অমসুং ফ্রান্স য়াওনা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী শরুক অহুম থোকপগী অনীনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসতা তকশিনখ্রে হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোক্লি।

থা অহুমগী মমাংদা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকী রসিয়ানা শৌগৎপা ফোর্সশিংনা ওপোজিসন কাঙবুশিংগী অরোইবা মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ডদা অচৌবা এটেক অমা চথবা হৌখিবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মতুং ইন্না সিরিয়ন ওফেন্সিভ অদুদা য়ামদ্রবা মীচম ৪৫০ শিখিবগা লোয়ননা মীওই ৪৪০,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে।

হৌখিবা চহী ৮ গী সিরিয়াগী লান অসিগী মনুংদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ভিটো পৱার পায়বা লৈবাক মঙাগী মনুংদা রসিয়া অমসুং চাইনানা বাসর অসাদগী গভর্নমেন্টবু মালেমগী বোদি অসিনা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা য়াদনবগী মওংদা কন্না চৈঙাক পীদুনা লৈখিবদগী সিরিয়াগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংগী মনুংদা মরু ওইবা ৱারেপ লৌবা ঙমদনা লাকখিবনি। বোদি অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা ভিটো পৱার পায়বা লৈবাকশিংদি বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনি।

য়ু এন্না শৌগৎপা সিরিয়াগী মেদিকেল ফেসিলিটিশিং অদুদা চথখিবা এটেকশিংগী মতাংদা ইক্কাইরি চথদবগী মতাংদা বৃটেন, ফ্রান্স, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, জর্মনি, বেলজিয়ম, পেরু, পোলেন্দ, কুৱেট, দোমিনিকান রিপব্লিক মঅসুং ইন্দোনেসিয়ানা য়ু এন চীফ গুটরেসতা ফোরমেল পিটিসন অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা এপ্রিলগী অরোইবা শরুক্তগী সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা ১৪ দি সিরিয়ন ফোর্সশিংনা রসিয়াগী মতেংগা লোয়ননা এয়র রেইদশিং চথদুনা মাঙহন-তাকহনখিবগা লোয়ননা মীশি-মীনা কয়া থোকহনখ্রে হায়না মখোয়না পিটিসন অদুনা পনখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল অনী অমসু চাংয়েং তৌখ্রে



সিওল, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :
কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ৱাথোক্কী মতাংদা দিপ্লোমেটিক সোল্যুসন পুরক্নবা হোৎনবা কয়া লৈরিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সোর্ট-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল অনী চাংয়েং তৌখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মিলিটরি দ্রিলশিং লেপ্পবা প্রেসর পীবগী মওংদা মান্নবা মিসাইল অনী কাপ্পুনা চায়েং তৌখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক কান্নরগা ইনৌ নৌবা চাংয়েংশিং অসি পাঙথোকখিবনি।

হৌখিবা জুন ৩০ দা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোরিয়া অনীগী দিমিলিটরাইজ জোন্দা উনদুনা লেপ্পুনা লাকপা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী মখা চথবগী ৱাফম য়ানখ্রবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা জুলাই ২৫ দা অহানবা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইলশিং অসি কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবনি।

ইনৌ নৌবা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইল অনী অসি নোর্থ কোরিয়ানা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মান্নবা মিসাইল অনী চাংয়েং তৌখিবা মফমদুমক্তদগী ইষ্ট সিদা কাপশিন্দুনা চাংয়েং তৌখিবনি।

য়ু এসকী নৌনা সেক্রেটরি ওফ দিফেন্সকী ফম পায়রবা মার্ক ইস্পরনা সিওলদা মহাক্কী অহানবা ওফিসল খোঙচৎ পাঙথোক্লমদাইদা নোর্থ কোরিয়না সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসকী অপুনবা মিলিটরি এক্সাইজবু য়ানিংদবা উৎপা ওইনা মখা তানা মিসাইলিশিং অদু চাংয়েং তৌরিবনি হায়না লৌনরি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী চাংয়েংশিং অদু সাউথ কোরিয়াদা লৈবা য়ু এস মিলিটরি ফোর্সশিংনা খঙলে হায়না য়ু এস মিলিটগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি। কে এন-২৩ হায়না খঙনবা মিসাইলশিং অদু মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমশিংনা দিটেক্ট তৌবা ঙমদনবা মওংদা দিজাইন তৌখিবনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি। সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর জিয়োং কিয়োং-দুনা সিওলদা লৈবা দিফেন্স ফোরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কে এন-২৩গুম্বা মিসাইল অমা লমখাংদা কাপথবা হায়বসি অরুবা অমা ওইরবসু সাউথ কোরিয়াগী মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমশিংনা দিটেক তৌবা অমদি ইন্টরসেপ তৌবা ঙমগনি হায়খি।

# পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা বোম পোকখায়বদা মীওই ৫ শিরে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ৩১ (এজেন্সি):
পাকিষ্টানগী ক্বেটা সিটিদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমগী মনাক্তা বোম অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই ৫ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৩৫ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী এটেক অদু এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না ফিট তৌরবা মোটোর সাইকল অমা শীজিন্নরগা পাঙথোকখিবনি অমসুং রিমোট কন্ট্রোলনা এক্সলোসিভশিং অদু পোকখায়হনখি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন মৌহমদ রামজান্না ইফে ন্যুজদা ক্বেটাদগী ফোঙদোকখি।

মোটোর বাইক অদু পুলিস ষ্টেসন অমা অমসুং ওফিসর কয়া তোংলিবা ভান অমগী মনাক্তা খামদুনা লৈরম্বনি হায়রি। শিখিবা মীওই ৫ মক অমসুং অশোকপা মীওই ৩১ মীচম ঙাক্তনি হায়না রামজান্না মখা তাখি।

অশোকপশিংদুগী মনুংদগী ফিভম লুপা ৫ বলুচিষ্টান প্রোভিন্সকী কেপিটেল ক্বেটাদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। নুংথিল অথেংবদা থোকখিবা বোমগী এটেক অদু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী ষ্টেটমেন্ট অমনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখিবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইরবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীওই মিলিয়ন ১ হেন্না লৈবা ক্বেটাদা বলোচ সেপরেটিষ্টশিং, পাকিষ্টানি টালিবান অমসুং অতৈ জিহাদিষ্ট ফেক্সনশিং য়াওনা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ কয়া ওপরেট তৌদুনা লৈরিবনি। হৌখিবা চয়োলদা সিটি অদুগী চিদাইদা চথখিবা মোটোর সাইকল-বোম এটেক অমদসু মীওই ২ শিখিবগা লোয়ননা ১৬ না অশোক অপন নংখিবনি।

চহী অমগী মমাংদা পাকিষ্টানগী পুৱারীদা ক্বেটা সিটিদা খ্বাইদগী শাথিবা টেররিষ্ট এটেক্কী থৌদোক অমা থোকখি। পোলিটিকেল রেলি অমা পাঙথোক্লিঙৈদা চথখিবা এটেক অদুদা মীওই ১৪৯ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ কয়ানা অশোক অপন নংখিবনি।

## টেহরান্না ৱারী শান্নবা শেম শারে

জিনিভা, জুলাই ৩১ : করিগুম্বা সাউদি অরাবিয়না ৱারী শান্নবা শেম শাবা ওইরবদি ইরান্নসু ৱারী শান্নবা শেম শারে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জভাদ ঝারিফনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

গল্ফতা এটেক কয়া চথদুনা ওইল টেঙ্কর ৬তা অমাঙ-অতা থোকহনখি হায়না রিয়াদনা ইরানবু মরাল শীখিবদগী মিদল ইষ্টতা ইথিল পীনবা হোৎনবদা অঙম তান্নরিবা ইরান অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

টেঙ্করশিং অদুদা অমাঙ-অতা থোকখিবগী মতাংদা সাউদি অরাবিয়না ইরানবু মরাল শীখিবা লৈরবসু ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনদি অদুগুম্বা ৱাফমশিং কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি। করিগুম্বা সাউদি অরাবিয়ানা ৱারী শান্নবগীদমক্তা শেম শাবা লৈরবদি ঐখোয়নসু ঐখোয়গী য়ুম্লোন্নরিবশিংগা ৱারী শান্নবা মতম পুম্নমক্তা শেম শাদুনা লৈ। ঐখোয়না কৈদৌঙ্গৈদসু য়ুম্লোন্নবশিংগা ৱারী শান্নবগী ৱাফমদা ঐখোয়গী থোঙ লোনবগী ৱাফম লৈরোই হায়না সারিফনা মখা তাখি।


## SAINIK SCHOOL IMPHAL
### ALL INDIA SAINIK SCHOOLS ENTRANCE EXAMINATION : 2020-21
### ONLINE ADMISSION NOTICE

The all India Sainik Schools Entrance Examination (AISSEE) for admission into classes VI & IX for the academic session 2020-21 will be conducted on 05 Jan 2020 (Sun) at **Sainik School Imphal** and **Ukhrul District HQ.** The AISSEE will be on OMR based system which will have multiple choice questions with four options. Only boys who qualify the following eligibility conditions may apply for AISSEE 2020:-

| Class | Eligibility Criteria | Selection Process |
|---|---|---|
| VI | For admission to class VI, Child should be between 10 years to 12 years as on 31st March 2020 | Written & Medical Examination |
| IX | For admission to class IX Child should be between 13 years to 15 years as on 31st March 2020 | |

Online Application Forms : **05 Aug 19 to 23 Sep 19 on website http://sainikschooladmission.in**
Last Date of Submission : **23 Sep 2039 (Monday)**
Date of Examination : **05 Jan 2020 (Sunday) 1000h onwards.**
Fee details : Gen/Def (Army/AF/Navy/Coast Guard)/Ex-Def Category **Rs. 400/-**
SC/ST Category **Rs. 250/-**
How to apply : Application may visit on the website http://sainikschooladmission.in
Note : 1. Boys applying for admission in class IX must be studying in class VIII in a recognised school.
2. Medium of examination for class VI will be in English & Hindi and for class IX will be English only and students are required to answer in English only.
3. Applicants are to ensure submission of correct category to avoid cancellation of Form at later stage. Parents are requested to visit the admission website regularly for futher updates.
HL-P/3512/1

## IIBIT
### Indian Institute of Banking and Information Technology

.A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post
.**CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years
.**Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years
.**Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply
Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search
.facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology
**-/Salary - 10,000 - 27,000**




.Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc
Salary - 25k + Incentive
.Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking
.FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur
HL-B/5582/30/7-29/8
Contact No. : 8729894704, 8729895297


# ইস্লামিক ষ্টেটনা নাইজিরিয়ন লান্মী ৪০ হেন্না হাৎখ্রে



কাইরো, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :
নাইজিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা বোর্নো ষ্টেটতা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইস্লামিক ষ্টেটনা চথখিবা তোঙান-তোঙানবা এটেক অনীদা নাইজিরিয়ন লান্মী ৪০ হেন্না শিখ্রে নৎত্রগা অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না গ্রুপ অসিনা মখোয়গী অমাক ন্যুজ এজেন্সিগী খুৎথাংদা ক্লেম তৌখ্রে।

অমাক ন্যুজ এজেন্সিনা গ্রুপ অসিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, অহানবদা গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্টশিংনা বগাদা লৈবা মিলিটরি পোষ্ট অমদা এটেক তৌদুনা য়ামদ্রবদা লান্মী ১৫ হাৎলবা মতুংদা অনীশুবা এটেক ওইনা বেনিসিক টাউন্দা লৈবা আর্মি বরেক অমদা এটেক তৌখি। অকোনবগী এটেক অসিদা নাইজিরিয়ন লান্মী ২৫ রোম হাৎখি হায়না অমাক ন্যুজ এজেন্সিনা গ্রুপ অসিগী ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথখিবা মফমশিং অদুগী মীওইশিং অমসুং মিলিটরি সোর্সশিংনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখিবদা, নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট অদুদা লালহৌবশিং অমসুং লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি। নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবদা শিখিবা নৎত্রগা শোকখিবা মীওইশিংগী মশিং রোইটর্সনা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

কুমজা ২০০৯ দা নাইজিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা ইস্লামিষ্টশিংনা লান হৌবা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩০,০০০ হেন্না শিখ্রে। হৌখিবা চয়োলদা বোর্নোদা মীওই ৬৫ শিখিবনি।

# ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা অনৌবা য়ুমশিং শাবগী অয়াবা পীখ্রে

জেরুসলম, জুলাই ৩১ (এজেন্সি) :
ৱেষ্ট বেঙ্ককী ইজরেলনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা মফম অমদা জ্যুৱিস সেট্টলরশিংগী অনৌবা য়ুম ৬০০০ অমসুং পলিষ্টিনিয়নশিংগী অনৌবা য়ুম ৭০০ শাবগী অয়াবা ইজরেলি ওথোরিটিশিংনা পীখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইজরেলি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্কতা এরিয়া সীগী হাউজিংগী থবক পায়খৎপগী মতাংদা ইজরেলি ওথোরিটিশিংনা লাউথোরক্লিবা ৱাফম অসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এস এনভোই জরেদ কুস্নরনা ইজরেলদা খোঙচৎ অমা লাক্ত্রিঙৈগী মাঙওইন্ননি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মমাকনুপাসু ওইরিবা হ্বাইট হাউসকী সিনিয়র এদভাইজর অসিনা মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা হ্বাইট হাউসনা পুথোক্লিবা ইজরেলি-পলিষ্টিনিয়ন পিছ একোর্দ অমগী মতাংদা ইজরেলি ওফিসলশিংগা খন্ন-নৈনগদৌরি। জ্যুৱিস সেট্টলরশিং অমসুং পলিষ্টিনিয়নশিংগী অনৌবা য়ুমশিং শান্নবা ইজরেলনা অয়াবা পীরিবা মফম এরিয়া সী অসি ৱেষ্ট বেঙ্ককী লম অপুম্বগী লমদগী চাদা ৬০ রোমনি।

কুমজা ১৯৯৩গী ইন্টরিম একোর্দশিংগী মখাদা ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেট্টলমেন্ট অয়াম্বা লৈরিবা এরিয়া অদুগী সিক্যুরিটি অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্ট্রোল ইজরেলনা পায়রিবনি।

অমরোমদা পলিষ্টিনিয়নশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অপুম্বা মখোয়গী তুংদা শেমগদবা ষ্টেটতা য়াওহনবা পাল্লিবনি। মালেমগী পৱার অয়াম্বনা সেট্টলমেন্টশিং অদু ইলিগেল ওই হায়না ফোঙদোক্ল রবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনদি তুংদা লাকপা পিছ একোর্দতা ইজরেলগীদমক্তা সেট্টলমেন্ট খরা মখা তানা লৈহনবা পাল্লি।